# "কুকিশিংবু তিন্থ্রোক ওইনা শীজিন্নদুনা খোই চোপ্পা-!"

– এল ইবোমচা –



হৌখিবা জুন ২৭,২০২৪দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা ইন্দিয়ান পার্লিয়ামেন্টতা পীখিবা মহাক্কী ৱারোলশিংদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না মমাঙদা পাঙথোকখিবা অমদি পাঙথোক্কদবা থবকশিং মরীক চুম্না পনখিবা লৈ। অদুবু লমহেনবা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈ ফূরুপ্তা অকনবা মওংদা লান্দারক্তুনা মীওই ২৩০গী মথক্তা শিখিবা, মীওই ৩২না থিবা খঙদনা লৈরিবা অদুগা মীওই কয়া অমা অশোক-অপন নংখিবা, য়ূম-লাইশঙ, কম্যুনিটি হোল কয়া মৈ থাদোক্তুনা মীওই লিশীং ৬৫গী মথক্তা লাঞ্জেন্নদুনা মৈ হৌনা চাক্লিবা মণিপুরগী মতাং অমদি লান লোইশিন্নবা হোৎনবগী ৱাফম অমত্তা পল্লকখিদে। মসিনা তাক্লিবদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অহুল্লকশুবা টর্ম অসিগী লৈঙাক অসিনা মণিপুর লানগী মরমদা লূম্না লৌদে অমসুং কয়া থৌ-ৱা শাদে তাকপনি। হায়বদি মণিপুরগীদমক কোক থাদবা শংদে, মখোয় মশেল হাৎনবা য়াবা হাৎনরবা মতুংদা ৱারগা মরন্নাই তোকচখিনি, লোক সভাদা এম পি অনী, রাজ্য সভাদা এম পি অমা পূন্না এম পি অহুমখক লৈবা ষ্টেট মচা অসিদা মীৎয়েং চঙলুবা হৌনদে, ঙমখৈ ঙাক্লবা থন্বা লমদমনি হায়না খল্লগা য়াম্না মীরাইনা হুন্দোক্তুনা থন্বা মাল্লি।

মরমদি পার্লিয়ামেন্টতা প্রসিদেন্টনা পীবা ৱারোল, এসেমব্লিদা গভর্ণরনা পীবা ৱারোল হায়বসি প্রসিদেন্ট সেক্রেটরিএটনা অমদি ষ্টেটকী গভর্ণর সেক্রেটরিএটনা শেম শারগা ইরগা পীবা নত্তে। সেন্টর অমদি ষ্টেটতা পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক অদুনা নীংথিনা শেম শাদুনা ইরগা পীবা ৱারোল ঙাক্তনি। প্রসিদেন্টনা পীবা ৱারোল অদুনা য়ুনিয়ন কেবিনেটতা অদুগা এসেমব্লিগী ওইরগনা ষ্টেট কেবিনেটতা পুথোক্লগা ময়াম পূন্নমক তান্নদুনা অৱাৎ-অপা হাপতোক-হাপচিন কূপ্না য়েংশিনমিন্নরগা য়ানরবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টদা অমদি এসেমব্লিদা পুথোরকপনি। মরম অসিনা জুন ২৭,২০২৪দা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী জোইন্ট পার্লিয়ামেন্ট মীফম অদুদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা পীখিবা ৱারোলদু ইচম চম্বা ৱারোল অমদি নত্তে। পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক অদুগী শকয়েং মিংশেলনি। মিংশেল অদুদা মৈ কন্না চাক্লিবা মণিপুরগী মতাংগী মমি তাদবনা মণিপুরবু লূম্না লৌদে তাকই, মণিপুরদা নত্তনা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে হায়বা য়াই। খরা ফোঙদোকখিবা অদুসু অয়াম্বা এন দি এ লৈঙাক্না পাঙথোকখিবা দিভেলপমেন্টকা মরী লৈনবা ওইনা তৌই। হায়বদি অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংসি মেদ ইন ইন্দিয়াগী হব অমা ওইরগনি। অৱাং-নোংপোক্কীদমক লৈঙাক্না পাঙথোক্লিবা তোঙান-তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোগ্রাম, নেশনল হায়ৱে অমসুং এক্সপ্রেস হায়ৱে শেমগৎতুনা মপূং ফানা কান্নবা ফংহল্লগনি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা শান্তি পুরক্লবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎহল্লগনি অমদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা থল্লিবা দিষ্টর্ব এরিয়াশিংদগী আর্ম ফোর্সেস স্পেশল পৱার এক্ট ফেজ-ফেজ নাইনা লৌথোক্লগনি হায়বনচিংবা খরা অসি পনখিবা ওইরমাল্লে। মতাংসি য়ৌরক্লবদি মৈ কন্না চাক্লিবা মণিপুরগী ৱাফম খরতা ওইরবসু পল্লন্মুদনা, পল্লম্বা তৌদে। সেন্টর লৈঙাক্কী হন্দ্রেদ দেজগী প্রোগ্রামদা মণিপুরগী লান লোইশিন্নবা ৱাফম য়াওই হায়দুনা বি জে পি লুচিংবা খরনা হায়নখিবা লৈ। অদুগদি ৱাফম অসি কয়া য়াম্না চুম্বা জাৎনো য়েংগে খন্না-খন্না লৈরিঙৈদা লানগী মতাংদা করিমত্তা তৌরমদনা হন্দ্রেদ দেজ লোইশিনখিবনা অদুম হানখি।

সেন্টর লৈঙাক্কী মতৌ অসিদি মীতৈশিংনা ইচিংদা চিংনৈ মরমদি হান্নদগী মণিপুরদা পোষ্টিং তাদুনা লৈরক্লবা সেন্ট্রেল ফোর্সেসশিংগী অচান-মীরাই নাইবগী মতৌ লৈরিঙৈদা অহেনবা সেন্ট্রেল ফোর্সেস খরগা অমুক দিপ্লোই তৌরক্লগনি হায়বগী পাউ তারকপদা হায়নীংঙাই লৈতনা পূক্নিং লৈতাফম খঙনদে। মীতৈশিং মশা-মশাগী ময়ূমদা চঙবদা অথিংবা থম্বা অমদি মশা-মশাগী লৌ উজবদা অথিংবা থল্লগা কুকিশিংনা চংশিল্লক্লগা মীতৈশিংগী য়ূমশিং মৈ থাদোক্লমদাইদা য়ূমশিংদা লৈরম্বা মান-চাং হুরানবা, লৌফমশিং লৌ উশিনবা, পূখ্রিদা য়োকপা ঙা ঈল খোন্দুনা ফাদোকপদা য়েংদুনা লৈরগা অনৌবা অহেনবা সেন্ট্রেল ফোর্স খরগা অমুক থাজিল্লক্লগনি হায়বা ৱাসিবু মীতৈ কনানা হরাওগনি। মীতৈশিং হেন্নদুম অৱাফমদা তাহন্নবনি হায়বসি মী ওইরো, লাই ওইরো খনফম থোকপনি।

কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দারকপা অসি থা অসিগী ৩,২০২৬তা চহী অহুম চপ চানা ফাখ্রে। মীতৈগী য়ূম কয়ামা তাঙ্গৌই ওনখ্রে, মীশি-মীনা, অশোক-অপন কয়া থোকহন্দুনা লান্দারকপদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংদা ফাওবা লান্দাশিল্লক্লবা, বেঙ্কতগী ফোঙনা অমদি লোন্না নোংমৈ চিন্দোলদা লুট তৌরক্লবা, এ টি এম বূঠ ফক্কাইরক্লবা, ষ্টেট হায়ৱেশিং অমসুং নেশনল হায়ৱেশিংদা থোরক্লগা অরাকপশিংদগী শেল, সনা-লুপা, মোবাইল ফোন মুল্লক্লবা ফাওবদা ওর্দর ফংদে হায়না সেন্ট্রেল ফোর্স অমত্তনা খূৎ হন্দবা অমদি লান অসিগী মতাংদা হোয়নি-মায়নি হায়বা ৱাফম অমত্তা ঙাঙদবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মীতৈনা করিনি হায়না লৌনরমগনি?

কুকি টেররিষ্টশিংনা ইন্দিয়াগী পার্ট অমা ওইবা মণিপুরবু ঙাক-শেনগী হীরমদা, শেল-থুমগী ফীভমদা কাং-খোং চাইহল্লিবা অসি মরন্নাই তাহনবনি, মসিমক্তি তৌফম থোক্তবনি। চাউথোক্লা হায়বা য়াই মদুদি ঙসি ফাওবদা কুকি টেররিষ্টশিংগী লীচৎ-শাজৎ অসিগুম্না মীতৈ কনা অমত্তনা চৎখিবা লৈখিদ্রি। মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তাল্লুবদগী মীতৈ অমদি কুকি চুম্না-সুম খৎনজবনি হায়না য়েংদুনা লৈথোকপা হায়বসি খরদি হাকমল্লি। কুকি টেররিষ্টশিংগা মীচম মীতৈশিংগা চপ মান্নবা থাক্তা খনবদি খনফম শুংথোক থোক্তে হায়নীংই।

কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি তাল্লিবনি হায়দুনা মীতৈশিংদা লান্দাশিন্দুনা মীতৈ মীচম কয়া মথং-মথং হাৎলকপদা মখোয়বু মতিক চাবা চৈরাক পীবগী মহুৎ মীতৈগা কুকিগা ফম্মিন্নহল্লগা ৱাখল তান্নদবা খুদিংমক য়ান্নবা পুরক্লবা ৱারী-ৱাতাই শানহনগনি হায়রিবা ৱাসিবু তাবা য়াবা ৱারা হায়বনি। অসাম রাইফলসনা মীচম-মীতৈশিং ঙাকপী শেনবীবগী মীংদা মশা-মশাগী ময়ূমদগী অতোপ্পা মফমদা থৈদোক্লগা মী লৈনদ্রবা হাঙহৌরবা য়ূমশিং কুকি টেররিষ্টশিংদা শিন্নথোক্তুনা মৈ তুম্না থাদোকহনখি। মসিদা ওইরে মীতৈশিংনা থম্মোয় প্রোক-প্রোক চাক্লিবা। মীচম মীতৈশিং তশেংনা কনবীনীংবা লৈরবদি নয়ূম-নয়ূমদা মফম চাবা য়েংলগা লৈগদবনি। ঐখোয়না কুকি টেররিষ্ট অমত্তা খুলদা চংহল্লোই হায়না ফৈগাকফৈনা লেপ্পীগদবা অদু করিমত্তা তৌখিদে। হায়দা হায়জিল্লরগা ঐখোয়দা নোংমৈ কাপ্পু হায়বগী ওর্দর অমত্তা ফংদে হায়রক্কনি। মতাংসিদা মীতৈশিংনা অমুক হায়রিবনা অদু ওইরবদি নখূত্তা পায়রিবা নোংমৈদু করি তৌনবগীনো, ব্লেঙ্ক ফায়র ফাওবা য়াদবা নোংমৈদু পায়রুনু মসিনি। অৱাবা তারবা মীওইশিংগীদমক নপাঙ্গল নথৌনা খরদং ওইরবসু ফুদোকপা ঙল্লোইদবা ওইরবদি চাবা তিংনবনি, ইমা মণিপুরগী লৈমায় মোৎশিন্নবনি, মণিপুরদগী হনবিখ্রো ঐখোয়না থোকপা তৌজরগে হায়না হায়নরক্লিবা অসি অচুম্বা খোঙথাংনি। ৱাফম অসি হান্না মীতৈশিং খক্তনা হায়রম্বদু হৌজিক্তি তাঙ্খুল নাগাশিংসু হায়রক্লবনি।

অশেংবদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিং অসি মীতৈশিংগী মফমদদি কাঙ্খদা চঙবা লিনগুম্বনি। মীতৈ মপাঙ্গল শোন্থহল্লিবসি মখোয়ননি। সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মরম চাদনা কুকি টেররিষ্টশিংদা তোঙশিনবনা মীতৈশিংদা হেন্না-হেন্নদুম মৈশা লাংবা হেল্লক্লি। মীতৈশিংগী মফমদা লৈফম চাফম নোংম-নোংমগী পীশিল্লক্লি। মীরমদগী হুরান লোন্নাদা চঙলকখিবা কুকি টেররিষ্টশিংদি নোংম-নোংমগী তকশিল্লকপা হেঞ্জিল্লক্লি পাক চাউরবা লম লৌশিল্লক্লি। তকশিল্লকপা লৌশিল্লকপা হায়ববু মণিপুর তম্পাক্কী লমনি খন্দুনা লৈরিবা জিরিবাম ইথা থাজদনা কুকিশিংনা খুদুম চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রে। মসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিং খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ লানখিদুনা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংগা লাম্থেংনবা তোকথোক্লগা মমৈথংদদি শিরগা শি, চঙলগা চঙ সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগা লাম্থেংনরকপসু কনানা খঙগনি। মরমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মীতৈ হাৎনবা 'কুকিশিংবু তিন্থ্রোক ওইনা শীজিন্নদুনা খোই চোপ্পা-!" অসি খঙবা উরুবা অদুননি। মসি শামরক-ঙামরক কুকিশিংদি করিমত্তা খঙবা নত্তে। ●

# থাগৎচরি মোদি-অমিট, মমল নাইদ্রবা খুদোলগীদমক...

– বি সী খুমন –

নাকোয়নরুবগী মতম লোইখ্রে। হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরীশিংদা খল্লিবা ৱাখল্লোন থিদোক্কদবনি। প্রোব্লেম খুদিংমক্কী সোল্ব তৌফম এঙ্গল অমদি লৈগনি। তরাইবা এঙ্গলসু ওইরোই মরমদি মণিপুরীশিং শজিক চাবা শা ঙাক নত্তে। চীন মেন্দুনা খাঙনবসু ওইরম্বা য়াই। খুরক্কী ঈ-শিংসু হাক্না লাই শাবীরনু। ৱারে, ৱাবা য়াবা ৱার'সিদদি শিবগী অকিবা লৈনরক্তবা থোক্লদি মীতোপ্পা খূবাক খুনখিবা অফবা নত্তে। অশোকপদা থুম থাকচিল্লক্কনি। লমদমসি নুংশিরদি অপাম্বশিংসু লাপয়েং য়েংখিসি। মায়থীগনি খঙনা লাম্থেংনখিবা এঙলো-মণিপুরী ৱার অনীরক শুহনগুমসি। লানদি শোয়দনা মায় পাকহনগদবনি। মায়থীবগা লানগা মরীলৈনহনগনু। মফম, মতম অকক্নরুনু। নাপলসু মীতারুনু। আলেকজেন্দর দি গ্রেট পীকখ্রবা কাঙগী চাকথাক ওইখিবা নৎত্রা? মালেম খুদুম চনগনি খল্লম্বা নাপল কমদৌখি। অশোয়বা মচানসু, অচৌবনসু সিভিলাইজেশনদা চৈথেং পী কাউনগুমসি। কদায়ৱাইদা সিমদি মায় পাক্লে হায়বা প্রোজেক্ট লৈ। করপশনগী লায়নাদা লৈঙাক্কী ফম্নাইবা মচাসু, অচৌবসু আই সী য়ুদা ক্য লেপ্নরবা লমদমসিদা চাওখৎপগী ৱাখল থাদোক্লগা অপুনবা লিংজেল শাগৎখিসি, থম্মোয় শেংনখিসি। চাওখৎপদি তপ্না তুংইন্নজরক্কনি।

হোম মিনিষ্টরনা নক্সলাইট তুম্না মুখৎকনি ৱাশক্তুনা অকক্নবা মতম থাখি, মায়সু পাকখি। ইন্দিয়াদা টেররিষ্টকী খোঙফম তাহল্লোই হায়খিবগুমই। মসিমদি হৌজিকসু মায় পাকত্রি। খুদম হায়ববু ইন্দিয়াগী ষ্টেট মণিপুরদা টেররিষ্টশিং মনীং-মখা তন্লি। ইন্দিয়ানা শেমগৎপনি হায়নবসু য়াওই, হায়নদবসু য়াওই। অদুবু টেররিষ্টনি হায়বশিংনা হাৎখিবা মীশিংদি ফনা য়াল্লে। মৈ থাদুনা হাৎখিবা, মঙক কক্তুনা হাৎখিবা, নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা, বোম লংশিন্দুনা হাৎখিবা, দ্রোন এটেকনা হাৎখিবা, রোকেট লঞ্চরনা হাৎখিবা, মখল মখানি। পি এম, হোম মিনিষ্টর তাদ্রিমান্নে। লাকসু লাকপীদে, হংসু হংবীরদে। ওপন সেক্রেটনি হায়ববুদি মালেম পূম্বনা খঙনৈ। মণিপুরনা মরাইবক থীবগী ৱানি। মণিপুরগী ৱা হেক পনবদা মনাদা হাপ্পীংদে। ইকায় নুংশি য়ান্নরম্বসু য়াই। ফৎত্রে খল্লিবা মণিপুরীশিংনা মালেমদা ইন্দিয়াগী মায় ঙাক্লিবসি পি এম মশামক খঙদবা নত্তে। মঙোন্দা মণিপুরীশিংসি চাসি মরূ, হুন্দোকসি মতোঙ ওইরমগনি। ইকায় খাঙদগী কুকিগী লান (মীতৈদি কাউখ্রে) শুকখাম খামদ্রিবসি চহী ৩ শুজিল্লক্লে। খান্বীয়ুসু হায়রগুমসি, তল্লকান্দা তোকচখিনি।

ঙায়াম লৈরম্বা পাৎ-তুরেলদো পলদি থিংদনা ওৎখায়বা, নৈখায়বা য়াবা নৈখায়রগা, নৈখায়বদা ঙা অশীংবদি অচৌবা ঈপাক্লোমদা ঙম্না চেন্থোক্লখ্রে। করিসু খঙজদবা লৈহৌবা ঙাকুপশিংদা অঙম্বা থৌনা ফূদোক্তুনা লোংউপ তাল্লকপদা নাম্মৎ মাঙখিবগী মলোম্না ইন্দিয়ানা মণিপুরবু শুক্লুং নুংশিখিদব্রা? ঙাচম খরদুগী মরাল করিনো? মখোয়দি ইন্দিয়া'সি মরৈবাক্লি খন্না অদুম নুংশিজৈ। নুংশিগনু হায়রিরা? মদুগী মতম নকশিল্লকপগুম্মী।

হৌজিক ইন্দিয়ানা মণিপুরী মরু ওইনা মীতৈদা শাওরি খঙনা-খঙনা মণিপুরীশিংসু ইন্দিয়াবু খম থেংনা ৱারৌখ্রে। দব্বল ইঞ্জিন ওইর'সু মণিপুরগী ইঞ্জিন নীঙাই হৌরক্লনি। মীয়ামগী খোল্লাও লাইগী খোল্লাওনি। মন্ত্রি য়াওনা এম এল এ খুদিংমক চপ মান্ননা রিজাইন তৌরো হায়বগী খোল্লাওনা মণিপুর নিনবা হৌরক্লে। মণিপুরীশিং ইন্দিয়াননি অদুবু ইন্দিয়াগী হংলাই মখা তানা ওইররোই হায়রকপা মীকুপ নকশিল্লক্লে। ভোট ময়াসু নকশিল্লক্লে, করি য়াই থারক্কনি। য়াই ময়াই চম্বা মতমসু ওইরক্লে। নীংশিংলকই "সাহেব ঐগী প্রজানা য়াদ্রে" বৃটিশ ওফিসর মঙা শঙলিংবদা শীন্নখিবদো। মীয়ামগী ঈহৌদা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়না থিংলুবা মহাম তানি। মন্ত্রি, এম এল এ মীয়ামগী মনাইনি, লৈবাক্কী মপুনি কৈদৌনি। চহী মঙাগী নিংথৌ ওইরসু- লীলা, দ্রামাগী নিংথৌগুম্বনি, পিবা ফম নত্তে।

তশেংবনি - তৌদ্রমকসু এম এল এ, মন্ত্রি য়াওনা পুল্লপ রিজাইন তৌরনি হায়না মেমোরেন্দম অমা দেল্লী য়ৌখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর য়াওনা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা অকনবা ইম্পেক্ট অমদি থোক্কনি। দিয়র লো মেক্করস, শারিঙৈদা য়ৈরদি য়োৎসু ইতে তেথবনি, ৱাখল সোমদা খূৎমাবীয়ুবা! মণিপুরনা তুফক তুফাই চল্লিসে কুমজা ১৯৪৯দগীনি। ফত্ত-লৌশিংদা হৈ-শিংখ্রবা ইন্দিয়াগী মন্ত্রি কয়া ফত্ত-ফত্তনা শিখিবা (অহল ওইদুনা) মশীং য়ামখ্রে। চুহী চাবা খুদুং ইল্লি- কৈনা তোকপা পোক্তে, ঙসি-ঙসিসু খম থেংনা ফত্তবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোই অদুম য়াওবনা মণিপুর অদুম্মক হৌগৎ-কাঙ্খৎ ঙমদ্রে। কন্সপাইর, দিভাইদ এন্দ রুল, দর্টি জিও-পোলিটিক্সকী চৈথেংদা বলিগী হামেংগুম, মণিপুর পি তানা, খা চিক্লা কয়াম কুইনা থম্বীখিনি। লানশিংনরুবসু ঙমদা, খরা লাউজবা, খরা ৱাকৎলম্বদুসু হৌজিক্তি চোকথরক্লে। লাউররোই, ৱাকৎলরোই খন্না খন্না নোংম-নোংমগী ৱাবদি সুম-সুম হেঞ্জিল্লকই। মণিপুরীশিং, মরু ওইনা মীতৈশিং করি তৌ হায়বনো? চৈতুপ-ৱাতুপ পায়নরিঙৈ মতম ওইরদি মীতৈ লীংজেল উৎলমগে হায়ববু ইচুম চুমজনা অরানবা শীংদা চলহন্নবা সুম চক্রি তৌরিসিবু মীতৈ শাওবা ঙাইরিরা?

মীওইবগী চীন কনানা মেনগনি। অইবগী কলম মচিন কনানসু মমায় চুম্বা ঙম্লোই খঙনা খঙনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শান্নরিবা 'প্রোক্সি ৱার' গী চেনা শবাক ফাক্লকপা হৌখ্রে। পি এম মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মতম পূম্বগী ওইনা থোঙ থিংলগনি হায়না ৱারেপ্নখ্রে খঙলকপা মীকুপ্তা শোয়দনা ৱাখল তারক্কনি। মণিপুর ইন্দিয়াগী ষ্টেট নত্তে খল্লবনিনা মণিপুরী অমত্তা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা হীরম অমত্তদা শরুক য়াদবগী মীকুপ্তু নকশিল্লক্লে। ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈগী মণিপুরদু ওইনীংবনা ইখৌ লাংবা মীয়াম নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবসি মোদি-অমিটকী মমল নাইদ্রবা খুদোলনি হায়নরক্লে। য়েংবা তারি, হায়নবসু লৈদনা "অওনবদি মশা মদোম লাকচগদবনি, নোংমৈ বোম্নসু থিংবা ঙম্লোই"। ৱাবনা খম থেংলবা মণিপুরীশিংগী তরং-তরংবা নুমিৎ থোরক্লনি। কুকিশিংনা ফুদিত্তা মাঙজোং চোংলুবগী ৱামল্লদুনা মতম পূম্বগী ওইনা 'কুম্ভ-কর্ণ' ওনখ্রগনি। থাগৎচরি মোদি-অমিটতগী মমল নাইদ্রবা খুদোলগীদমক, নীংতমহনবগীদমক। ●

# লানসিগী ৱারোইশিন কনানা করম্না পুরক্কনি

– সোরোখাইবম ইমোচা –

চহী অহুম হেল্লক্লবা কুকিগী লান করম্বা মতমদা লোইগনি, কনানা লোইশিনহনগনি হায়বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরক্লিবা কুইরে। কুকিনা নোংমৈ কাপ্লক্তরগা ঐখোয়দি লান লোইবদৌনা খন্দুনা লৈ। কুকিনা নোংমৈ কাপ্লকপা, মীচম হেক হাৎলকপগা তম্পাক্তা অমুক লাংবা হৌবা, লৈঙাক্না কর্ফিয়ু থমজিনবা, ইন্টরনেট থিংজিনবা, অদুদগী কর্ফিয়ু খরা-খরা তেনশিনবা, ঈরাং খরা ফরকপগা ইন্টরনেট অমুক ফংহনবা চিনফা পুরবা লৈঙাক্কী খোঙথাংনি হায়বসি মীয়ামসু লোইনা খঙনৈ। মমাঙদসু ঐগী আর্টিকলদা ইজখ্রে- লানসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না থোকহনবনি, কুকিবু চুঙ্গোই ওইনা শীজিন্নরগা। নৎত্রবদি নুমিৎ নীনি শুনা চঙগদবা লান নত্তে হায়বসি মীয়ামসু লোইনা খঙই। ইন্দিয়াগী অৱাংবা থাক্কী পোলিসিদা ঐখোয়না অৱাবা তাবনি। ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা ঐখোয় মীতৈবু নুংশিদে হায়বসিদি মখোয়না তৌরক্লিবা থৌওংসিনা ইরায় লায়না খঙহল্লি। ইশাগী ইরোল ইয়েক লৈজবা, অৱাংবা থাক্কী কলচর, শান্ন-খোৎনবদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈগা চাংদম্নবদা নোপ্তবা, পীস টোক তৌসি য়াদবা মীতৈ নহারোলশিং অসিনচিংবা মরম ময়ামসিনা ঐখোয়বু ইন্দিয়া লৈঙাক্না (মীতৈবু) নুংশিদবগী মরমনি।

লানসি হৌরকপদগী লোইশিনহনবা য়াবদু ইন্দিয়া লৈঙাক্না লোইশিনহন্নবা থবক অমত্তা মশক থোক্লা লৌখৎত্রি। সিফাই লিশীং নিফু-য়াঙ্খৈ হেন্না থাজিল্লক্লবসু কুকি ঙাক্তুনা ওইনা লৈ। মীতৈনা কুকিরোমদা চংবদি য়াহন্দে অদুগা কুকিশিংনদি মনীং তম্না লোন্না মীতৈ খুলদা চংহন্দুনা মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়া অতূম্বা মী য়াওনা হাৎখ্রে। ঙরাংতা পীক্লিবা অঙাং অনী মমাগা তূম্লিঙৈদা বোম কাপশিন্দুনা হাৎপীখ্রে। থবক অমা ফাওবা তৌদনা শেমখিবা পীস কম্মিটি থুপচিনখ্রে। সুপ্রিম কোর্টকী য়াথংদা শেমখিবা কম্মিশন কদাইদা লৈখ্রে খঙদ্রে। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর কুকি নুপী অনীগী ভিদিওদা লৈবাক অসিবু ইকায় ফিরুক খুমহল্লে হায়বা, পুং খরখক্কী মণিপুরদা লাক্লম্বা নত্তনা করিগুম্বা অমত্তা হায়দ্রি। জিরিদা অঙাং মচা য়াওনা মীওই তরুক হাৎপদা, কোল্ড ব্লদতা মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী ফুটেজ মীয়ামদা থাদোরক্ল ফাওবদা অমদি হন্দক্তা পীক্লিবা অঙাং অনী মমাগা তূম্মিন্নরিঙৈদা হাৎপদা অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱাহৈ অমফাওবা হায়রকখিদে। মীচম ঙাক্লনবা লৈবা সিফাইনা মীচমদা ওনশিন্দুনা নোংমৈনা কাপ্লক্লবদি ঐখোয়বু কনানা কনবীগনি।

পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ৱাদি ঙাঙনদবনা ফরে। ভোট লেপনীংবা কাঙবুনা ভোট কাদুনা এম এল এ অমুক্তা ওইজবা ফংলবদি খঞ্জবা, এম এল এ ওইরবকান্দা মিনিষ্টর অমুক্তা ওইজবা ফংলবদি খঞ্জবা, মিনিষ্টর ওইরবশিংনা চীফ মিনিষ্টর অমুক্তং ওইজবা ফংলবদি খঞ্জবা মশানা তাবনি শাওরুবা য়াদে। মখোয়দি মশা মশাগী খুদোংচাবদুতনি খল্লিবা। পোলিটিকেল পার্টিশিংদা নত্তে মশাগী খল্লিবদি লৈরিবা লূপ ময়ামগী লুচিংবশিংসুনি। পুনশিন্নৌ-পুনশিন্নৌ হায়বদি হায়বা অদুগা মখোয় মখোয়না পায়রিবা ফমদুদি অমত্তা থাদোক্নদবা। লূপ অমা থাদোক্লবসু লূপ অমমুক লিংখৎপা লেপ্পা লৈররোইদবা থৌওংনি। ঐখোয় মশেল খন্নবা, পাউচেদা আর্টিকল ইবসিনা লানসি লোইশিনবা য়াগদৌরিবরা? মীচম শিরগা ঐখোয় হৌরক্কনি, লৈঙাক্না এক্স গ্রেসিয়া পীরনি, তপ্না-তপ্না ঈংথখ্রগনি। অদুদগী থৌদোক অমমুক থোরকপগা অমুক হৌরক্কনি। অসুম্না কয়াম কুইনা লৈখিগনি। লুচিংবা ফনা য়াম্না শিল্লবসু দেল্লীগী য়াথংদা লোইনা চৎকদবা ঙাক্তনি। মরমদি দেল্লীনা হায়বা ইন্দ্রবদি মা লুচিংপুরেল ওইদবা তাবা। লুচিংপুরেল হায়বদুদি ওইনীংবনা দেল্লীগী পুঙলোনগী তান্থাদা জগোয় শাবা মশানা তাবনি ৱারৌনীংঙাই লৈতে। দেল্লীগা মুক্লবা ঙম্বা লুচিংপুরেল হৌজিক্কী লৈঙাকসিদদি থোরক্লরোই।

হান্নসু হায়জখ্রে, লানসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না লোইশিনহন্দবনি। মরমদি লানসি লেপহন্নবা থবক অমত্তা পায়খৎত্রি।

১) সিফাই ময়াম থাজিল্লক্লবসু লান লেপহনবা ঙমদ্রি। সিফাই ময়ামদু কৈদৌরিবগে?

২) পীস কম্মিটি থবক অত্তা তৌদনা থুপচিনখ্রবরা?

৩) সুপ্রিম কোর্টনা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না শেমখিবা কম্মিশনশিং কৈদৌখ্রবগে?

ইন্দিয়া লৈঙাক্কীদি মীতৈ শিবা, কুকি শিবা, তাঙ্খুল শিবা মখোয়দা করিমত্তা কায়বা লৈতে, মাঙজবা লৈতে, মখোয়গী সিফাইদং শিদ্রগা লোইরে।

ঐগী মমাঙদা ইখিবা আর্টিকলদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা সুপ্রিম কোর্টতা কেস তৌসি হায়বা ৱাফম থমজখি অদুবু মীয়ামদগী রেস্পোন্স অমত্তা ফংখিদ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা কেস তৌদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা লাক্লবা নত্তনা ঐখোয়গী পাম্বে লৈতে। ঐখোয়না খোঙজং কয়া চঙশিনগনি, মীরমদগী লাকপা সিফাইনা ইরমদমগী পুলিসসু য়াওনা ঐখোয় মীচম ফূবীনি, চৈবীনি অদুদগী হেন্দোক্তুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা থৱায় লৌবীনি। খোঙজং চঙশিন্দনা তূমিন্না লৈবসু য়াদে। ইচা ইশুশিং লাইরিক তমদনা মখোয়গী চৈ চাদুনা শোয়নাইদুনা কয়াম কুইনা লৈখিনি। অদুনা অখঙ অহৈ ময়াম সুপ্রিম কোর্টতা হান্নসু তৎতনা থেংনরিবা উকিলশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা কেস তৌসি।

১) ঈরাং অসি হৌরকপদগী মীরমদগী লাকপা সিফাইশিংনা চথখিবা খুদম ওইনা পীবা য়াবা থৌওংশিং- খুদম ওইনা শুগুনু পুলিস ষ্টেশনগী গেটতা মখোয়গী গাড়ীনা থৎচিন্দুনা থম্বা।

২) ক্বাক্তারোমদা অতূম্বা মী কুকিনা হাৎলম্বদা মণিপুর পুলিসনা তান্নবদা লম্বীদা সেন্ট্রেল ফোর্সকী গাড়ীনা থৎপা।

৩) আর এ এফনা চেক্কোন্দা শা য়োনফম মৈ থাবা।

৪) মোইরাংখোমদা অখান্বা গাড়ীশিংগী মিংশেল থুগাইবা।

৫) সিরুই ফেষ্টিবেলদা মণিপুর থাবা বস চৎহন্দবা।

৬) সী আর পি এফনা মীচম অহুম হাৎপা অসিনচিংবা মীদিয়া হাউসশিংদা রেকোর্দ লৈবা ময়াম কেসকী মচাক ওইবা য়াই। মচাক ময়াম অখঙ অহৈশিং, উকিলশিংনা খোমগিৎপীরো, মীং পুথোকপগীদমক্তি মীং পুথোকচগে, অচঙবা শেল য়ূমথোঙ খুদিংনা লুপা তরা-তরাদং খায়বদা ফংগনি। সুপ্রিম কোর্টতা কান্নবা ফংদ্রবদি ইন্টরনেশনল কোর্টতা চৎসি মদুদসু কান্নদ্রবদি ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীগদবা মীচং মীখাই নাইরোইদবা অকনবা লৈবাক অমদা পুন্ননবা মীয়ামগী ৱারেপ লৌদুনা থবক ওইনা আইনগী মীৎয়েংদা পাঙথোকপা য়াবরা হোৎনসি। নৎত্রবদি লানসি ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা অসুম লৈরনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৬কী ৱাহং

১) "হে ইমা! নিংথেমপোকপী!
মায়থোঙ ফিরুক খুমখ্রবী;
নীংতম পুন্সি মাঙখ্রবী
নঙগী ঈশৈনি; ঐগী ৱারী।"

মথক্কী পীজরিবা শৈরেং মতেক অসি নোভেল অমগী অহানবা কাতুপ্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং করিনো অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) "বশিষ্ঠ আশ্রমদা" হায়বা ৱারেং অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করিনো? কনানা ইবগে?

৩) "মণিপুরদা প্রোসিনিয়ম থিয়েটরনা লাকখিবসি কুন্সশুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক (১৯০২) তা বাঙ্গালিশিংগী খূথাংদা লাকখিবনি।"

ৱাহৈ পরেং অসি ৱারেংগী লাইরিক অমদা অইবগী ৱাহৈ খরদংদা ফোঙদোকপনি। অইবাঅসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৪) "নোংজু থাগী থায়ায় য়ৌশিল্লক্লে মতমসি, কুমগী নোং পুবা নুংশিৎসু মায়কৈ শীনবা থুংনা শীৎলক্লি।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহানবা পন্দুপতা য়াওবনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমসুং য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

৫) "হিংনা শিবা পুন্সি" হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।